# নেসোগী বন্দনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকাইবা পীখ্রে বন্দ শৌগৎপা ইমা ২ য়াওনা মহৈরোই ৭ পুলিসনা ফাজিল্লুরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর* ৬ ঃ মেইন লেন্দ ইন্দিয়ানা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংবু তাথি তাওইনা তৌবা, ফুব্বা, হাৎপা অমদি কিহনবনচিংগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো) না ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা মনিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, মেঘলয়া, অরুনাচল প্রদেশ অমদি ত্রিপুরাদা কৌখিবা টোটেল বন্দনা মনিপুরদা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকাইবা পীখ্রে অমদি বন্দ শৌগৎপা ইমা ২ য়াওনা মহৈরোই ৭ পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

বন্দ শৌগৎপী পুলিসনা ফাজিনখ্রবা মীওইশিং অদুদি ইমা আর কে লৈমা অমসুং ইমা আর কে অশালতানি। মহৈরোইশিং অদুনা এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতিগী জেনেরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম প্রেমকুমার, দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি কিরনকুমার, দি এম কলেজ ওফ কর্ম্মসকী ছাত্র থৌদাম বোইনাও অমসুং থৌদাম প্রেমকুমার, দি এম সাইন্সকী ছাত্র হৈগ্রুজম ৱিল্লিয়ম, মনিপুর কলেজগী ছাত্র নিংথৌজম মনি অমসুং সি সি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ছাত্র হাওবীজম সামুএলনি। অদুমকপু পুলিসনা ফাজিনখিবা মীওইশিং অদু বন্দ হেক লোয়বগা থাদোরকখি।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (নেসো) না কৌরিবা টোটেল বন্দ অসিগীদমক নেসোগী মেম্বর অমসু ওইরিবা মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না টোটেল বন্দ অসিগীদমক মরুওইবা থৌদাং লৌখি।

বন্দ মনুংদা খুরাই লম্লোং বজার, লম্লাই বজার, পাঙ্গৈ, নিউ চেক্কোন, ক্ষেত্রগাও, পোরোম্পাৎ, খুয়াথোং, নাগমপাল, উরিপোক, সগোলবন্দ তেরা, কৈশাম্পাৎ, কৈশামথোং, ককৱা, লংথবাল, শিংজমৈ, দিএম কলেজ গেট, থিনুংগৈ, মোইরাং, পাঙ্গোং, কংলা পার্ক, খ্বাইরম্বন্দ বজার, পাউনা বজার অমসুং থঙ্গাল বজারদা লম্বীদা মৈ থাদুনা বন্দ শৌগৎখি। অদুগা লম্লাই, লম্লোং, খুন্দ্রাকপম, চীংমৈরোং, দি এম কলেজ গেট, নাগমপাল, রিমস গেট ককৱা, কৈশাম্পাৎ, লিলোং বজার, য়াইরিপোক বজার, থৌবাল, ৱাংজিং, খোঙজোম, ককচিং লমখাই, ৱাবগাই বজার, মোইরাং, নিংথৌখোঙ, নম্বোল, ক্ষেত্রগাও, লংথবাল অমসুং খ্বাইরম্বন্দ বজারদা বন্দ শৌগৎপশিংনা লম্বী থত্তুনা থমখি। লোয়ননা ঙসিগী নেসোগী বন্দ অসি জিরিবামদসু মপুং ফানা চৎখি।

ইম্ফাল সিতি অমদি অকোইবদা লৈবা কৈথেলশঙ, দুকান পুম্নমক থোং লোন্নখি। অমদি তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকন্দবা লাইন চেনবা পেসেঞ্জর সার্বিস অমত্তা চেনখিদে। সরকার অমসুংলনাইগী স্কুল অমদি কলেজশিং বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা কান্নখিদে। খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল পুংতাক তাকখি।

পনবা য়াবদি অসামদা কাংলুপকী ইরাংনা মীওই কয়া শিখ্রবা মতুংদা ভারতকী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা মহৈ তম্বা অমিদি থবক তৌদুনা লৈরিবা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংবু মেইন লেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা ফুব্বা, হাৎলকপা অমদি অকি তুজুংবা কয়া লেপ্তনা পীরকপদগী মশিং য়াম্লবা নোর্থ ইষ্টকী মীওই কয়ানা মফম অদু থাদোক্লরগা মাগী-মাগী মরমদমদা হন্নরকখিবনি। তুংদা মহৈরোই লুপ কয়ানা থৌওং অদুবু নিন্দা তৌবগা লোয়ননা মখল মখাগী খোঙজংশিং লাকখিবনি।